# সাহিত্য একাডেমিগা খুৎশম্নরগা আগরতলাদা ‘গুরুময়ুম রাজেশ্বর শর্ম্মা’ সিম্পোজিয়ম

মরূপ পাউমী, আগরতলা ।। সাহিত্য একাডেমি, নিউ দিল্লিনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগা খুৎশম্নরগা ‘লিটরেরী ফোরাম অন লাইফ এ্যান্ড ৱার্কস অব গুরুময়ুম রাজেশ্বর শর্ম্মা’’ হায়বসিদা সিম্পোজিয়াম অমসুং ‘যুব সাহিতি’ থৌরম পাঙথোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম অদু পরিষদকী প্রেসিডেন্ট এন দিলীপ কুমারনা থৌরম মপু ওইরগা শিক্ষাবিদ অইবা আরকে জিতেন্দ্রজিৎ, গুরুময়ুম রাজেশ্বর শর্মাগী মচা নুপী সুরোধনী শর্মা, সাহিত্য একাডেমিগী মণিপুরী মেম্বর এল বীরমঙ্গল অমসুং পরিষদকী এসিঃ জি.এস কোশম অতুল সিংহ শরুক য়াখি। সিম্পোজিয়ামদা পরিষদকী বোর্ড মেম্বর নিরঞ্জন দত্তনা চেয়ার লৌরগা ডব্লিউ বীরমঙ্গল,

লামায় ৬দা



গুরুময়ুম রাজেশ্বর শর্মা



এম প্রদ্যোত



ডব্লিউ কবিতা



কে মধুমিতা



অমৃতা (লৈনা)



এইচ গন্ধেশ্বরী

## সাহিত্য একাডেমিগা খুৎশম্নরগা

*লামায় ১গী মখা*

এল কুমার, টিএইচ নীলকুমার অহমনা তোঙান তোঙানবা পেপার পাথোকখি অদুগা ‘যুব সাহিতি’ থৌরমদা এম প্রদ্যোত, এইচ গন্ধেশ্বরী, কে মধুমিতা, অমৃতা দত্ত অমসুং ডব্লিউ কবিতা শরুক য়াদুনা শৈরেং পাথোকখি। নুংথিলগী থৌরমদা সাহিত্য একাডেমি মণিপুরী বিভাগকী কনভেনর এন কিরন কুমারসু শরুক য়াখি। অদুগা শৈরেং শৈদিম্নবা থৌরমদা এল মীনা, আরকে নিহা, কে অপুর্বিতা, ডব্লিউ বৈশালী, কেএইচ রঞ্জনা, টিএইচ দেবব্রতনা মখোয়না ইবা শৈরেং পাথোক্তুনা থৌরমদু চীংলেম্না পাঙথোকখি। পনবা য়াবদি আগষ্ট ২১ দা একাডেমিগী মাল্টি লিংগুয়েল মিট থৌরম অদুদি য়ৈথোকখ্রে হায়রি।